# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 15-07.2024)

**দাইরিয়া (এল)ঃ** মণিপুরদা ষ্টোপ দাইরিয়া কেম্পেন ২০২৪ ঙসি হৌদোকখ্রে। কুমশি চহিগী স্লোগাননা 'দাইরিয়া থিংবা অমসুং লু-নান্না লৈবা অমদি ও.আর.এস. শিজিন্নবা হায়বসিনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমফেলপাৎতা লৈবা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই.এম.এ) গা হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুন্বাল মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন সিংহনা কেম্পেন অদু হৌদোকখি।

ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মীসন অমসুং হেলথ সাভির্সেস দাইরেক্তোরেটনা শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-কেম্পেইন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, পোকপদগীনা চহি মঙা ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু দাইরিয়াদগী ঙাকথোকপা অমসুং দাইরিয়ানা মরম ওইদুনা শিবগী চাং হন্থহনবনি। রাজ্য অসিদা হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা তারবশিংদা রাজ্যগী হকশেল বিভাগ অমসুং দাক্তরশিংনা লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-

ষ্টোপ দাইরিয়া কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা খুৎশা নিংথিনা করমা হামগদগে অমসুং ও.আর.এস. করমা শেমগদগে হাবয়দুগী মতাংদা মীয়ামদা উৎতুনা খঙহনখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা হকশেল অমসুং য়াইফ যুন্বালগী স্পিসিএল সেক্রেটরি-এ. হুংয়ো ৱারসঙ, এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এল. নন্দাকুমার, সোসিয়েল ৱেলফিয়ারগী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতম, হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ও. সনাহনবী দেবী অমসুং ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর-এন. দিনেস শরুক য়াখি।

ষ্টোপ দাইরিয়া কেম্পেইন অসি থৌবাল জিলাদসু ঙসি জিলা অসিগী

দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা হৌদোকখ্রে। কেম্পেইন অসি জ্লাই অমদগী আগষ্ট ৩১ ফাওবা থা অনি চুপা চত্থগদবনি।

**রেদিও (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী অহানবা কম্ম্যুনিতি এফ.এম. রেদিও ঙসি খা মণিপুর দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, আশ্রম রোড, চুমনাং লৈকাই ককচিংদা হৌদোকখ্রে।

কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা চিং চিং রেদিও হায়না মীংথোনবা কম্ম্যুনিতি এফ.এম রেদিও অসি মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্তরগী থবক্তগী পোত্থারবা দাইরেক্তর ডাঃ নহাকপম রন্ধির সিংহনা হৌদোকখি। খা মণিপুর দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না চলাইবা কম্ম্যুনিতি এফ.এম. রেদিও অসি ৮৯.৬ মেগাহর্জদা তাবা ফংগনি। মসি নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা থৌরম শন্দোক্কনি।

**মৈ (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং ৱার্ড নম্বর টুয়েল্বতা ঙসি য়ুম অমা মৈনা চাকখ্রে।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী-আর.কে. মনিপুরসনানা হায়-মৈ অদু সোর্ট সারকুইটতগী চাল্লকপা ওইগনি হায়না থাজনরি। ফয়ার ব্রিগেদ অমদি লৈকাইগী মীওইশিংনা য়ুম অদুগী শরুক খরদি কনবা ঙমহৌরে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মাল-চাং কয়া মাং তাকখ্রবগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিদা অশোক অপনগী পাউ লৈতে।

**দিএময়ু (এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অথুবা মতমদা লোয়শিনদ্রবদি দি.এম. কলেজ এল্যুমনাই এসোসিয়েসনসু মহৈরোইশিংগী খোঙজংদা শরুক য়াদুনা হেন্না অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি।

এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা ঙসি চরা হেনদুনা খোঙজং চংশিল্লিবা

মহৈরোইশিংগা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিগী অনৌবা ভাইস চাঞ্চেল্লর হাপ্পা য়াওনা মরী লৈনবশিংনা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা থৌরাং খরা পায়খৎলগনি হায়বদু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীনবসু দাবী তৌরি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা থৌবাল জিলাগী হৈরোক্তা তিল হিদাক কাপবা স্প্রে মেছিন ১০ য়েন্থোকখ্রে। থৌরাং অসি নোংজ্ পন্থা ওইবনা ঈশিংদগী থোরকপা য়াবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা পায়খৎপনি।

থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী ফুন্দ্রে অমসুং সেরৌ খুলদা নহাশিংগী ওইবা চয়োল অমা চুপা স্কিল দিবলপমেন্টকী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে। ৱার্কশোপ অদুদা উ শুবা, ফি তুবা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎ-চৈ শেমজিনবগী মতাংদা তাকপী তন্বীখি।

**এআর-২ (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শান্ন খোৎনবগী পোৎলম অমসুং অতৈ পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখ্রে।

জিলা অসিগী ফিভম ফত্তবা লন্বীশিংসু অসাম রাইফলসনা শেমজিনখ্রে। চান্দেল অমসুং উখ্রুল জিলাদা অসাম রাইফলসনা ৱার্ল্ড য়ুথ স্কিল ডে নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে। জিলা অনি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী নহাশিংদা স্কিল দিবলপমেন্টকী ট্রেন্নিং কয়াসু পীখ্রে। থৌরাং অসিনা নহাশিংদা অনৌবা ইনোৎ অমা হাপলি।

**এর্ন্টি রিপ্রেসন (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি এর্ন্টি রিপ্রেসন নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

ওবজারভেসন কমিতি এন্টি রিপ্রেসন ডে-২০২৪ না শিনবা থৌরম, য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা লৈবা এম.দি.য়ু. হোলদা পাঙথোকখি।

অকাশবানি ইম্ফালগা পাউমীগা ৱারী শান্নবদা হান্নগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ-অরিবম নোতুনেশ্বারি দেবী হায়-নুপীদা নমজা নমথেকবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসি ভিক্তিম ওইরিবা নুপীদু খক্তা নত্তনা সমাজ অসিদা লৈরিবা নুপী পুমমক্তা নমজা নমথেকবনি হায়না লৌফম থোকই। রেপ অমসুং নুপীদা চথবা মীওৎ মীনৈশিং অসি ইন্দিভিজয়েল ক্রাইম নত্তে, মসি সোসিএল ক্রাইম ওইরক্লবনি। অসিগুম্বা সোসিএল ক্রাইমশিং অসিবু ঐখোয়না মশিং হন্থহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মদু নৎত্রবদি সমাজ অসিদা ঐখোয় তংদু লৈতানা লৈবা ঙমলোই। নুপীদা চথবা মীওৎ মীনৈশিং অসি মতম চানা আইনগী ওইবা চৈরাক ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী লো দিপার্টমেন্টকী মকোক-ডা: য়ুমাম প্রেমানন্দা, এন্টি রিপ্রেসন ডে ২০২৪ গী ওবজারভেসন কমিতিগী চেয়ারপার্সন-খাঙেম্বম অনন্দি অমসুং সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মকোক থোংবশিংসু শরুক য়াখি।

**মুক্তি (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নসা মুক্তি ভারত অভিয়ানগী দিষ্ট্রিক্ট এক্সন প্লান ২০২৪-২৫ শেম্বগী মাফম অমা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জিলা অসিদা তুংগী মীরোলদা তিংজং কায়জংদবা খুন্নাই অমা শেমবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখি। খুন্নাই অসিবু নিশাগী ইপাক্তগী করমা কনগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-খুমন্থেম দাইনা, ইম্ফাল ইষ্টকী এস.পি. কে. মেঘাচন্দ্র, চীফ মেদিকেল ওফিসারনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**হোম গার্দ (এল)ঃ** মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. মঙ্গিনা হায়রি-হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগীদমক লৌখৎলকখিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু।

ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী মঙ্গিনা হায়-রাজ্য সরকারনা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগীদমক কেন্দ্র সরকারনা লৌখৎলকপা থৌরাংশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। ঙসিগী মীফম অসিদা এসোসিয়েসন অসিগী তোঙান তোঙানবা থৌ পুবশিংসু শরুক য়াখি।

**কেম্প (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী বাসিখোং মৈরা এসোসিয়েসনগী লম্পাক্তা ঙসি লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অসিদা মীওই ১৮১ রোম লায়েংখি অমসুং লেমা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি। থৌরম অসি বাসিখোং মৈরা এসোসিয়েসননা শিনবনি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলম ৱাবগাই লমখাইগী ইমা কৈথেল অথুবা মতমদা লোয়শিনবীনবা কৈথেল ফন্বী ইমাশিংনা মরী লৈনবা মীওইশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ঙসি হিয়াংলম ৱাবগাই লমখাইগী ইমা কৈথেল অসিদা ফল্লিবা ইমাশিংনা ৱাকৎ মীফম অমসু ফমখি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট থ্রিদা লৈবা জাদোনং মেমোরিএল কলেজ লিংখৎখিবা ১০ শুবা কুমওন ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা লৌবা বি.এ. ওনরস ইগজামিনেসনদা সোসিওলোজিগী টোপ্পর-লাংগোনলিয়ু গোলমৈসু ওকখি।

**লাইরিক (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহনা 'বেসিক কনসেপ ওফ হ্যুমেন এনাতোমি এন্দ ফিজিওলোজি' কৌবা লাইরিক অমা ঙসি ফোংখ্রে। লাইরিক অসি য়ুনিভরসিতি অসিগী ফিজিকেল এদুকেসন অমসুং স্পোর্টস সাইন্সকী এসোসিয়েট প্রোফেসার-ডা: লাইশ্রম সন্তোস সিংহনা ইবনি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি অসাম, গুজরাট অমসুং উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা ৱারী শান্নদুনা রাজ্যশিং অসিদা হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাওগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখ্রে হায়রি।

ৱারী শান্নবা অদুদা গৃহ মন্ত্রিনা রাজ্যশিং অসিদা হৌজিক তুরেলশিংগী ইমায় হেনগৎলক্লিবা অদুগী মতাংদা হংখি অমদি সরকারগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা হায়-গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি অয়ুক ফোন তৌরক্তুনা রাজ্য অসিদা ওইরিবা ঈশিং ঈচাওগী মরকদা কুপা হংল্লকখি অমদি মহাক্কী মায়কৈদগী অসামদা হৌজিক মীয়ামা মায়োকরিবা ঈচাওগী ফিভমগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল থমখি।

গৃহ মন্ত্রিনা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবসু পীরকখি।

মরক অসিদা, মাজ্‌লি ইথৎকী জগ্‌ধারিদা তুরেল লৌনম্বাল কায়রকপা অদু থিংজিনবা ঙমলে হায়রি। রাজ্যগী মন্ত্রি-পিয়ুস হজারিকানা হায়-ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগনা পুং ২৪ মথৌ তৌদুনা তুরেল লৌনম্বাল কায়রকপশিং য়েংশিনবগী থবক চথুরি।

**এনটিএ ঃ** নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা মে থাদা পাঙথোকখিবা কম্মন য়ুনিভর্সিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট কেট য়ু.জি পরিক্ষাদা খুদোংচাদবা মায়োকখ্রবা

মহৈরোইশিংগী পরিক্ষা অমা নৌনা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। পরিক্ষা অসি জ্লাই ১৯ দা সি.বি.টি হায়বদি কম্প্যুটর বেজ টেষ্ট ওইনা পাঙথোক্কনি।

মমাংগী পরিক্ষাদা খুদোংচাদবা মায়োকখ্রবা মহৈরোই পুমমক্তা মখোয়গী সবজেক্ট কোদকা লোয়ননা ঈ-মেলগী খুথাংদা পাউ পীখ্রে। অথুবা মতমদা এদমিট কার্দ পীরগনি। এন.টি.এনা হায়- ফাইনেল অন্সার কিশিং অদু সবজেক্ট এক্সপার্টশিংনা পীরকপা ফিটবেক মতুংইন্না শেম শাবনি। মদু অথুবা মতমদা ওফিসিয়েল ৱেব সাইটতা থাগৎলগনি।

**নেপাল** ঃ শ্রী কে.পি. শর্ম্মা ওলি, নেপালগী অনৌবা প্রধান মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম কাঠমন্দুদা লৈবা রাষ্ট্রপতি ভবনগী সিতল নিৱাসতা পাঙথোকখি। শ্রী ওলিগা লোয়ননা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলগী মীওই খরসু ৱাশক লৌখি। শ্রী ওলি অহুম্লক শুবা ওইনা অনৌবা চুংশিন্নবা সরকারগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা ঙরাং হাপখিবনি। চহি ৭২ শুরবা শ্রী ওলিনা ইরাই নুমিৎতা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেতিভদা থাজবগী ভোৎ লৌনবদা মায়থিখ্রবা পুস্পা কমল দাহল প্রচান্দদগী মহুৎ শিল্লে।

কে.পি. শর্ম্মা ওলিনা নেপালগী অনৌবা প্রধান মন্ত্রি ওইরকপদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। পাউজেল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং নেপালগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা অমসুং লৈবাক অনিনা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী থবক পুন্না তৌমীন্ননবা মহাকা আশা তৌরি।

**পেমেন্টঃ** ভারতকী রিটেল দিজিতেল পেমেন্ট অসি ইং কুমজা ২০৩০ ফাওবদা শরুক অনি হেনগৎতুনা দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ৭ যৌরবা য়াই হায়না করনি অমসুং এমাজোন পেগী ষ্টদি অমদা হায়রি। শেনবা চহি ২০১৭-১৮ দা ভারতকী দিজিতেল পেমেন্টকী রিটেল ত্রাঞ্জেক্সন অসি দোল্লর বিল্লিয়ন ৩০০ ওইরম্বদগী শেনবা চহি ২০২৩-২৪ দা দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ৩.৬ তা হেনগৎলকখি হায়না হাও

অরবান ইন্দিয়া পেজ হায়না মীংথোনবা ষ্টদি অদুনা হায়রি।

ভারত্তা য়ু.পি.আই ত্রাঞ্জেক্সন অসি ইং কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল ১১ দা হৌদোকখিবনি। শেনবা চহি ২০১৮ দগী ২০২৪ ফাওবদা দিজিতেল ত্রাঞ্জেক্সন লেবেল অসি চাদা ১৩৮ হেনগৎলকখি। রিপোর্ট অদুনা হায়- ভারতকী ই-কম্মর্স মার্কেটকী শেনফম অসি ইং কুমজা ২০২২ দা দোল্লর বিল্লিয়ন ৭৫ দগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৮০ দা হেনগৎলকখি। মসি ইং কুমজা ২০৩০ ফাওবদদি চাদা ২১ হেনগৎলক্কনি হায়না পারি।

**বিকমঃ** বিক্রম মিশ্রীনা ঙসিদগী ভারতকী অনৌবা ফোরেন সেক্রেটরি ওইরে। মহাকা ঙরাং থবক্তগী পোথাখ্রবা বিনয় মোহোন ক্বাত্রাগী মহুৎ শিল্লে।

শ্রী মিশ্রী ১৯৮৯ বেটচকী ইন্দিয়ান ফোরেন সার্ভিস ওফিসারনি। মহাক দিপ্যুতি নেসনেল এদভাইজর ওইনা থবক পুরম্মী।

**ডেঃ** ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রীকলচর রিছার্স (আই.সি.এ.আর) গী নুমিৎ নিনি চথুগদবা ফাউন্দেসন এন্দ টেকোলোজি ডে ঙসিদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা স্কুলগী মহৈরোইশিংদা লৌউ শিংউ অমসুং অনৌবা টেকোলোজিশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল পীখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা এগ্রী ইনোভেসন এন্দ টেকোলোজি ইগজিবিসনসু মহৈরোইশিংনা য়েংখি।

থৌরম অসি কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হয়েং ওফিসিএল ওইনা হৌদোক্কনি। মদুদা, লৌউ শিংউগী রাজ্য মন্ত্রি-ভগিরত চৌধুরি শরুক য়াগনি।

**এক্সিদেন্টঃ** গুজরাটতা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিরে, মীওই তরুক হেন্না শোক্লে। ঙসি অয়ুক অঙনবদা অনন্ত মনাক্কী

অহমেদবাদ-ভধোদরা এক্সপ্রেস ৱে মনাক্তা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-থৌদোক অদু ত্রক অমগা বস অমগা চিখোরা খুল মনাক্তা থেঙ্গাইনবদা মীওই তরুক অদু লৈখিদবনি। তরুক হেন্না শোকখিবনি। মীওই মঙা থৌদোক থোকফমদা লৈখিদে, অমনা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি। শোক্লবশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা লায়কন্নরি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা পাঙথোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি.এফ.সি-তোকপা চিংনা কে.পি.এস.সি-ককচিংবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, কে.ৱাই.ডব্লিয়ু.এ.সি-ৱাবগাইগা টি.য়ু.সি. থোংজাউগা শান্নবদা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।